ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯷, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, এপ্রিল ২৭, ২০২৩, ইম্ফাল

৪৭শুবা চহী, ৩৪শুবা মশীং

# রিমস ভর্সেস অটসুম
## এদমিনিষ্ট্রেসন হৈবসু তঙাইফদে

লম্ফেলদা লৈরিবা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) হায়বসি করিনো, হান্না হৌদোরকপদা 'রিজনেল মেদিকেল কোলেজ' (আর এম সী) হায়দুনা কুমজা ১৯৭২গী সেপ্টেম্বর ১৪দগী লৈরকখিবনি। হৌজিক্কা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী মখাদা অৱাং নোংপোক ইনি দয়াগীদা নত্তনা লৈবাকসিগী হোস্পিটালসু ওইবা অচৌবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুটশিংগী মনুংদা অমা ওইরক্লবনি হায়বসি মীপূম তিংনা খঙনরবনি। ইশম-শন্বদা আর এম সীদগী মতৌ করম্না রিমস ওইরকখিবা, হৌজিক্কা করম্বা ফীভমদা লৈরবগে হায়বসিদি লেঙদনা লৈজরবা পুৱারীনি। মসিগী মনুংদা করম-করম্বা মীওইশিংনা দিরেক্টরশিং ওইখ্রবগে? মখোয়না করি-করি তৌরম্বগে হায়বনচিংবশিংসু লোইনা য়াওরবনি। পূম্নমকসিগী মথক্তা রিমসনা নোর্থ-ইষ্টকী মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অমা ওইবদগী হেন্দোরক্তুনা মীয়ামগী অনা-লায়েংদা য়াম্না চাওবা থৌদাংশিং লৌদুনা লাক্লিবনি। অদুবু অসিগুম্বা হোস্পিটাল অমসু ওইরিবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অমদবু মসিগী মথৌ তারকপা তোঙান-তোঙানবা পোষ্টশিংগী ষ্টাফশিং লৌবদবু জেনরেল (অন-রিজার্ভ) কী য়াওনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব/সেদ্যুল্ড কাষ্ট য়াওনা ও বি সী/মাইনোরিটি নৎত্রগা অতোপ্পা কেটগোরিশিংগীদমক জেনরেল ষ্ট্রাইক/টোটেল শটদাউননচিংবগী খোঙজংশিং চঙশিন্নরক্তুনা ৱারু-নুংজু থোক্লরকপা চুম্ত্রা, থোরকহল্লকফম থোকপ্রা হায়বনি। রিমসকী মথৌ তাবা, অৱাৎপা নৎত্রগা অহাঙবা ফমশিং মেনশিনবা হায়বসিদি তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা থবকনি। ইন্সটিট্যুট অসিনা মসিগী হোস্পিটালগী ফীভম য়াওনা খ্বাইদগী মতমগা চুনবা মওংদা পুখৎলক্তুনা ওইহল্লক্লগসু 'ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস' (এইমস) ওইনা ওন্থোকপা য়াররোইদবা ওইরগসু এইমসকী থাক য়ৌনা পুখৎনবা হোৎনরক্লিবনা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা ওইরবসু ফেকলটি মেম্বরশিংদা ওইরবসু মতিক চানা থম্নবদি হোৎনবা তাবনি। মসিদি মশানা তাবা থবকনি।

অদুবু রিমসকী থবক হাপ্পগী ক্বোটাগী মতাংদবু চীংগী ওইগেরা, তমগী ওইগেরা মহৈরোয়শিংগী লূপ অমগা মুক্নদুনা শয়েং-পান্বোম ঙানফম থোকপ্রা হায়বনি। সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাকশিংগী ওইবা সিট রিজার্ভেসন অমসুং কেটারাইজেসনগী মতাংদা হান্নদগী চৎনরকপশিং লৈত্রব্রা? অহাঙবা পোষ্টশিং মেনশিন্নবা কৌবা খুদিংগী রিজার্ভেসনগী চাংদা হোংদোক-হোংজিন তৌব্রা? অদুগা হান্নদগী চৎনরকপা নৎত্রগা রুলগী মতুংইন্না তৌফম থোকপদুগী ওন্ন-তৈনবদা নৎত্রগা মদুদগী হেন্দোক্লা তৌগদবনি হায়রকপা ওইরগনা লাই লাক্তুনা হায়রক্লবা ফাওবদা রিমস ওথোরিটিনা হুই অতেবদৌনা হেক্তমক চৎফম থোকপ্রা হায়বনি। অদুগা থবক্তা ওন্থোকপদা মরী লৈনরিবা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্ট্রিগী অয়াবা লৌগদবা ওইরগনা এপ্রিল ৩, ২০২৩দা করিগীনো ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (অটসুম) গা প্রপ-প্রপ 'মেমোরেন্দম ওফ এগ্রিমেন্ট' (এম ও এ) খূৎয়েক পীনরুরিবা? মশ্বাইদদি অনাবা মীওইশিং লায়েংবদা সুপর স্পেসিএলিষ্ট ওইরবা অমসুং মেদিকেলগী পোষ্ট গ্রেজুএট মহৈরোয়শিং তাকপী তম্বীবা ঙম্বদুসু য়াম্না ফৈ। অদুবু দিরেক্টর ওইরবদি এদমিনিষ্ট্রেসনসু নীংথিজনা হৈগদবনি হায়বগী ৱাফম চোংথোরকই। মতুংদা অমুক হন্না থোরকহন্দনবা হোৎনহন্নীংই। অফবা এদমিনিষ্ট্রেটর হায়বসিদি ঙাক্তুনা-ইন্দুনা চৎকদবা রুলশিংগী প্রোভিজনশিংদা কৈদৌঙৈদসু কমপ্রোমাইজ তৌরোইদবনি। অচুম্বা অমসুং অশেংবগীদমক তোপ-তোপ্পা থৌনা-লিংজেল অমা চেনগদবনি। মতমদুদা 'এবল এদমিনিষ্ট্রেটর' অমনি হায়নরক্কদৌরিবনি।

# ꯔꯤꯃꯁ ꯚꯔꯁꯦꯁ ꯑꯇꯁꯨꯝ
## ꯑꯦꯗꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯠꯔꯦꯁꯟ ꯍꯩꯕꯁꯨ ꯇꯉꯥꯏꯐꯗꯦ

[illegible]

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১১৯
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

পরিং নাইনা চথুজরক্লিবা ঐগী ৱারেং অসি নীংশিং নীংশিং মীয়ামদা পাউদমজনীংদুনা ইজবনি। নহান্না লোইশিল্লগে হায়না খঞ্জরুরবনি। অদুবু পাবীরিবশিংগী মনুংদগী য়াম্না থৱায় য়াওনা চাং নাইনা পাবীবা ময়াম্না লোইশিনখিগনু মখা চথুবীরকখো হায়বা ৱাফম কয়া লাকপদগী ইজরিবা হায়দুনি। ময়াম অয়াম্বা শরুক্লা পান্বীবা পান্বীদবগীদি খঙজদ্রে। চহী ৪০ হেন্না শরুক য়াজরকখিবা অমা ওইনা ৱারীগীদি য়াম্না লৈরি। ঙসিগী ওইনদি লীলাগী ওফিসতা নৎত্রগা য়ূমদা ময়াম্না লীলা কৌবা লাকপীখিবশিংগী মতাংদা খজিক নীংশিংজদুনা ইজরক্কে। করিগুম্বা ঐগীদা লাকপা অমদি ওফিসতা ঐগা থেংনখিবীখিবশিংনা শোয়দনা নীংশিংবীরমগনি। করিগুম্বা অকায়বা অশোয়বা অরানবা য়াওরবসু ঙাকপীগনি। মীং অমদি লমদি অমত্তা পঞ্জরক্লোই।

লীলা চেবাউ থাবা লাকপা হায়গদ্রা, লীলা ৱাইবা/কৌবা লাকপা হায়গদ্রা, হায়নীংবা অমা হায়জরসনু, মসি লীলা অমা শানবগীদি খ্বাইদগী মরু ওইবা শরুক অমনি। লীলা কৌবীরদনা পার্টি অমত্তনা চঙশিন্দুনা লৈকায় অমদা লীলা শান্নরবা য়াবা নত্তে। অদুনা মসি য়াম্না মরু ওই। লীলা কৌবীবা লাকপসি মৌগীবু ওইরো, লৈশাবীশিংগীবু ওইরো, পাখঙশিংগীবু ওইরো, চাক চানদৌরে নৎত্রগা ময়াম পুনবগী থৌরম অমদা লীলা অমা য়াওরসি হায়বগীবু ওইরো, ময়ামদুনা লেপ্পদ্রবদি লীলা হেক্তা কৌবা য়াবা নত্তে। অদুনা লীলা কৌবা লাকপীদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখোয় ময়ামসি পুনশিন পুনশিন্নদুনা কয়ারক তরেৎ তরা থোক্লা হঞ্জিন হঞ্জিন খন্নরবা মতুংদা লীলা কৌরবনি। মমাঙঙৈদদি লীলা কৌবা হায়বসি লীলা পার্টি অদুগী মীওই অমনা ওফিসতা লেঙদনা লৈরগা লীলা কৌবীরবনি। নুমিদাং অথেংবফাওবা লীলা শান্নরুরগা হল্লক্লগা ময়ূম নকপশিংনা ময়ূমদা চৎনখ্রে। খরা লাপ্পা ওইরগনা ওফিসতা তূমগদৌরিবনি। ওফিসতদি তূম্নবা ফমুং থাদে। লৈবাক্তা ফক অমা থাবা নৎত্রগা বোরা থারগা মদুদা ফি অমা অমুক থারগা তূমগদৌরিবনি। কোক খাংনবা মোন য়াওদে। ঐখোয়গী লীলাগী ফি য়োম্মগা পুরিবদু থারগা মোন ওইগদৌরিবনি। নৎত্রগনা চেক অমা অনী লোনখৎলগা মোন ওইনা খাঙগদৌরিবনি। ওন্থোক্লা নুংশিখ্রবা ফীভমনি। মদুদা চাবা চাদবা ইশি শিখৈ নাখোক্তুনা নুংঙাইনা তূম্নে। ঐদি থেংদা থেংলবদি অদুম্না ওফিসতা হেক হেক তূম্মী। য়ূমদা হল্লবসু লীলাগী ওফিসতা য়াম্না ঙন্না লাকই। মরমদি লীলা কৌবা লাকপা মী থেংনহৌদ্রবদি থোঙ লোল্লে হায়দুনা হনখিবদা ঐখোয়গী লীলাগী খোঙচৎ মাঙজগদৌরিবনি। অদুনা লীলা কৌবা লাকপশিংগা উনদুনা লীলা কৌবগী প্রোসেস অদু তৌনগদৌরিবনি। লীলাগী ওফিসসি য়াওরিবা মীশিংগী ফোটো পরেং শানা থেৎলি। মদু য়াম্না থেৎনীংবগী নত্তে। লীলা কৌবা লাকপশিংনা কনা কনা য়াওরি হায়বদু খঙনবনি।

লীলা কৌবা লাকপশিংদু লাকত্রিঙৈ মমাঙদা মখোয় মশেল কুপ্না খন্নদুনা লাক্লবদু অমুক লীলাগী ওফিসসিদা লাক্লগা মতমসি ফজনা লেল্লগদৌরিবনি। অদুসু শাওবা য়াদে। মরমদি মখোয়না শেল পীদুনা কৌগদৌরিবা লীলাদুগী ৱারী কমাই তৌবা, ৱারী ফজবরা, কপ্পা য়াওবরা, নোকপা য়াওবরা হায়বসি য়াম্না তুকা থিনা হংগনি। মদুদা ৱারী ফজনা লীবা ঙম্বা অমসু মথৌ তাই। য়াওশঙগুম্বা মতমদদি লীলা কৌবসি ইচিন থী হায়নি, লৈকায় লৈকায়গী মৌশিং, লৈশাবীশিং অসিনা হেক্তা য়োম্বনি। কাঙবু কাঙবু লাক্লিবশিংদু ফম্ফম অমত্তা লৈবা নত্তে। লোইনা লেপ্পা য়াও, ঐখোয়না তূম্লম্বগী থারিবদুদা ফম্বা য়াও, ৱারী লীয়ু ৱারী লীয়ু হায়না ময়ামসিনা য়ৌ য়ৌ তৌবদুদা ঐনা ফরে ৱারীসি লীজরগে ময়াম তূমিন লৈবিরো হায়রগা ঐনা ৱারী হৌই। "তাও জনমেঞ্জোই মহারাজ মুনি" হায়না থোক হৌবদা, ময়ামসিনা ৱা লাওনা নোকই। অদুগী ৱারীদু নত্তে, লীলাগী ৱারী লীয়ু হায়বনি হায়দুনা ৱা ৱা নোকমিন্নরগা লীলাগী ৱারীদু লীরিবনি। মদুদা ময়ামদুনা তারগা, ৱারীদু অদুমাইনা ওইহনবা য়াদ্রা হায়না সজেসন ময়াম অমগা পীরম্বা য়াওরিবনি। নুংশিখ্রবা জাৎনি। অদুগী মখা তারকপদা য়াম্না তোয়না হায়বীবসি, লীলাগী ফি মোৎপরা, নানবরা? ঐখোয়দা শান্নবা মতমদদি লায়রবা শাবা য়াওহনবীগনু, ইনাকখুনবা ওইনা ওন্থোকপীয়ু, অদুগা ফিরোল য়াম্না নালহনবীয়ু, নখোয়গী লৈত্রসু ঐখোয় লোইনা থনমগে মীগী মমাঙদা ফিরোল নান্দবদি য়ারোই সিনিসে। ঐখোয়না লীলা শান্নজরসু ঐখোয়গী মোইগী পোৎ ময়ামদদা উৎপদৌনা খনবনি। মোইনা কৌবা লীলাদি, লীলাসু ফজৈ, ফিরোলসু নাল্লি হায়না হায়নদ্রফাওবদা মোইনা হায়নদৌরিনি। ঐখোয়সি মোইগীনি হায়না পোংজগদৌরিবনি। মথংদা হায়রক্কদৌরিবা শোয়দ্রবা ৱাফমদি অতৈ অমা নত্তে। লীলাগী মমল তাবীয়ু সিদনি। মসিমদি শোয়দ্রে। মতমদুদদি লীলাগী মমলসু য়াল্লমদে। মদুনা লুপা ১০০/২০০দা ওইরসু তাবীয়ু হায়বা ৱাসি নুংশি নুংশিনা হায়খ্রজাৎনি। শ্বাই মতাংসি য়ৌরকপদদি থৌওইনা মী খরা খুদোনবী থিল্লগা হায়বা হৌরক্লনি। শ্বাইদনি ঐনা য়াম্না নুংশা থীরিসে। মোইনা হায়দুইনিকো- "তামোহোইগী লীলা কৌরিসে, অতৈগী নত্তেকো, ঐখোয় ইমান্নবী... (মমিং অমা হায়রগা নুপী অমদা মশক তাক্লনি) মানা অতৈ লীলা কৌবা য়ারোই, তামোগী লীলাসি নৎত্রদি ঐদি য়াওরোই হায়না কন্না হায়বদগী কৌবা লাকইনিকো" সিনিসে। অদুনা হয়েং শেল পীবদা ঐখোয় য়াওরোই মা ওইনা থাজিল্লক্কনি গাইনা থোক হায়জিল্লক্কদৌরিনি। মানা তামোসিদা সুম শোন্দনা লৈরিবনি। অতৈগা পল্লু য়াপোত্তে গকাইনা ওন্থোক ওন্থোকপা কির-কিরবা ৱা ঙাক্তনি। কয়া লুখ্রবনো? মদুদা নুপীদুনগা ইকায়জরদনা, লাকমিন্নরিবশিংদুদা "ৱাথী য়াম ঙাঙখ্রেদা" গাইনা খুজিন্নগা শিক্তনা তৌরিপোৎনি। অদুগা মমিৎতুনা ঐঙোন্দা ফল্লপ ফল্লপকা য়েংলদনা। ইমাইপেম্মা নুংঙাইখ্রবা কুম্মৈ অমনি। অদুনা হয়েং লীলা শান্নবদসু অদু মঙাই, মমিৎকদু হু-হুদনা ঐঙোন্দা য়েংদৌরিনি। ময়ামদুনা অমুক মঙোন্দা য়েংলগা ৱা ৱা নোকপীদৌরিনি। অদুদদি মানা ইকায়জদনগা তৌজরিপোৎনিদা। মসি লৈশাবীগী ৱানি। চপ মান্নবা মওংদা মৌদসু তৌরিবনেমি। মচিন কনখ্রবা মৌ য়াম্না লৈখ্রজাৎনি। মী শিবা য়াবা ৱাগসি য়াম হায়খ্রপোৎনি। মোইনবুদি ফাগিনি হায়না তৌজরিবা, অদুবু মোই মোইগী নুপাদুনা তারদবু ঐবু হিংখিগদরো?

অসিগুম্বা ৱা য়াম্না ঙাঙনরগা মোই লাকমিন্নবা মশেন অমনা অমুক কৌথোক অমনা অমুক কৌথোক, ৱাসে পেৎনা খন্নরগা লীলাসি কৌদৌরিনি। লীলা কৌরগা চে ইনরবদো অদু ফাওবদা চৎলু হায়বা য়াবা নত্তে। অদুম ফমদুনা লৈদৌরিনি। ৱারীসিনা লীলাগী ৱারীদগী অমুক প্রাইভেটকী ৱারী লাক্কদৌরিনি। য়ূম পাল্লবরা, করি লমদগীনো? নশক ফজৈ, করিগীনো নঙনা অদুক য়াম্না ফজরিদো গাইনা। হায়ফম থোক্তবা ৱা ঙাক্তনি শাদৌরিবা ৱারীসিনা। মদুদা চৈরুবা শাওরুবা য়াবা নত্তে। হেক শাওরুবদা লীলা কৌরোইদৌরিবনিনা, হোয় হোয় হোয় হায়না অদুম তাবা, শেমজিন শাজিল্লগা ৱারী নুংঙাইনবা খরা হায়জিনবা মদুদা মোই ময়ামদুনা নোক খেদনা নুংঙাইজখিবদো হৌজিক্তদা য়াম্না নীংশিংলকই। ময়াম অদুগী মরক্তা খরা অমদি অওইবা তাশিনগে তৌবগসু য়াওরিপোৎনিদা। ঐনা অওইবা তাদ্রসু মোইনা অওইবা তাশিল্লক্তনা, কনাগী খুদোলপোৎ কা পীরদনা, অচাপোৎকা লৈরগা থিল্লক্তনা ওন্থোকপা নুংঙাইখ্রবা কয়া অমা লৈরিবনি। মদু পাখঙ ওইরিঙৈ মতমদদি ফৈকো। নুপী থিরবা ফাওবদা তৌবা য়াওরিবনিনে। ইস ঐ হুমাংগকা কাংবজাৎনি। ঐঙোন্দা এটেম্প তৌরম্বা য়াম্না লৈ। লীলা কৌরম্বদগী ওইরকপা ফীভমনি। ঐমক্তি লীলা শান্নরগা লোইরে হায়দুনা মতম মতমদুগী ওইনা ৱারী খাইরম্বদু অশেংবা তাশিনগে হায়দনা তৌরকপা এটেকশিংদু ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা ওন্থোক্লা অৱাবা ওইখি। মদুদা ম্যেন রোল লৌখিবশিংদো ঐনা খঙবসু য়াওরি, খঙদবসু য়াওরি। হৌজিককগদি মচা-মমৌ, মশু লৈরবী ওইরবনিদা। নোংফাদোক্লা লম্বীদা থেংনবগসু য়াওরিয়ে। মদুদা মমায়গকা ইখুই খুইরদনা ইকায়দনগা তৌবসু য়াওরি। নোকনীংখ্রপোৎনি, ঐসি মবুক য়াম ফত্তবা মীনিগাইনসু মোইনা হায়রিপোৎনিদা। ঐনা তৌখ্রিদুদি পুক ফত্তবগী নত্তে। ঐগী ঙাকথোকচনবগী কোইচেন চেন্দুনা খাঙজখিবনি। নৎলমদ্রববু অদুক য়ামখ্রবা ময়াম অদু ঐ তেথরম্বা তারবদি দর্জন মশীং ফনা য়াল্লমগনি। খল্লুবদা হৌজিক্তদা কিবু কিরকই। মসিগী মখাদি মথংদা অমুক খরা ইজরক্কে। ●

# পুন্সিগী ঈচেলদা - ১৫
## করিবু থোক্লগবা - ২

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

মমাঙ মমাঙগী চয়োলদা ফোঙখিবা চাইনা অমদি য়ু এস এ অনীগী মরক্তা লৈরিবা মরী অসিনা টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসিদা করিবু থোক্লগবা হায়বগী ৱারেংগী মখা চথুরকপদা, মতৌ অসুম্না খন্থবা তৌদনা অহোংবা পাম্লুবা টাইৱান মীয়াম্না অহানবদা ভোট কাহনখিবা লৈরবসু চহী ৪গী ওইবা অহানবা টর্মদুদা মীয়াম্না পার্টি অসিনা মীয়ামগী মায়োক্তা লেপ্তুনা মীয়াম্না পামদবা লো কয়া পাস তৌখি। লাইনীং লাইশোলদা য়াম্না থাজজবা, চাইনিজশিংগী ওইবা নাৎতা য়াম্না থৱায় হকচাং য়াওনা ইন্দুনা চৎচবা টাইৱান মীয়ামগী মায়োক্তা গে অমদি লেসবিয়ন মেরিএজ অসি দি পি পি লৈঙাক অসিনা এসিয়া পূম্বগী মনুংদা অহানবা লমদম অমা ওইনা টাইৱানদা পাস তৌহনখিবনি নম্ফু হাফুদা। দেমোক্রেসি হায়বসিদি 'মেজোরিটি কেরিজ দি ভোট' হায়বদি মীশিং য়াম্বনা অচুম্বনি, য়ানবনি, ভোট কাবনি হায়না লৌনরিবনি। অদুবু শরুক মরি থোকপগী মনুংদা শরুক অহুম হেনবনা গে অমদি লেসবিয়ন মেরিএজ য়ানীংদে হায়না মীয়াম্না য়ানীংদবা খোঙচৎ কয়া চৎখিবা লৈরবসু পাল্লিবা দি পি পি লৈঙাকসিনা ঙম্মী হায়বগী মতাগুম নম্ফুদা লো অসি পাস তৌখিবনি। মসিবু দেমোক্রেসিগী অশেংবা চৎন-পথাপলা। অসিগুম্বা দেমোক্রেসিগী মায়খুম উপ্তুনা দেমোক্রেসিগী চৎন-পথাপপু ইন্দুনা চত্তবা অসিননি ঙসিগী মালেমদা দেমোক্রেসিদা থাজবা থল্লক্ত্রিবা লৈবাক কয়াগী মীওইশিংনা।

অতোপ্পা লো খরা অমা পল্লবদা, চাইনাগা নুংশি চান্নবা চথোক-চৎশিন য়াহন্দুনা, লল্লোল ইতিক তৌনদুনা লৌউ-শিংউবদা, টুরিজমদা, ত্রান্সপোর্টেসনদা, রেষ্টুরান্ট অমদি হোটেলনচিংবগী লম্দা ম্যেনলেন্দ চাইনাদগী মরাং কায়না শেল তাঞ্জদুনা নুংঙাইনা হিংজরম্বা মীওই কয়া অনীশুবা টর্মদা মীয়ামগী ভোট হুরান্দুনা কাখিবা ঙসিগী পাল্লিবা লৈঙাকসিনা য়ু এস এগী হুই অমা ওইনা, হুইনাও অমা ওইনা হায়বনা হেন্না চান্নগনি, য়ু এস এনা হায়বা খুদিংমক ইন্দুনা ম্যেনলেন্দ চাইনাগা লৈনরম্বা মরী খুদিংমক ককথৎখি। লোইদ্রি সিনা। দি পি পি লৈঙাক অসিনা হেক পায়রকপা চহী ৬ অসিদা টাইৱানগা দিপ্লোমেটিক মরী লৈনরম্বা লৈবাক ৯ অমসু চৎখ্রে টাইৱান থাদোক্তুনা।

মতৌ অসুম্না মীয়ামগী মায়োক্তা লো কয়া পাস তৌশিন্দুনা ম্যেনলেন্দ চাইনাগী মায়োক্তা চৎতুনা থেঙ্খাং কয়াদা ম্যেনলেন্দ চাইনাবু খোইদৌ শাওগৎহন্দুনা লাকপনা ঈংনা-তপ্না হিংজরম্বা মীয়ামসু ঙসিদি টাইৱানগী ফীভম করি ওইরগবা খল্লুবদা ঈংনা-তপ্না হিংবা ঙমহন্দ্রে। মসি হায় হায়দুনা ম্যেনলেন্দ চাইনানা টাইৱান মীয়াম শোক্লবা রুসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবা অসিগুম্না টাইৱান্দা লান্দারক্কনি হায়বগী অকিবদি লৈতে মরমদি ম্যেনলেন্দ চাইনানসু টাইৱানগী মীয়াম্নসু অমগা অমগা মচিল মনাওগুম খন্নবনা। অসিগুম্বা মচিল মনাও ওইবগী ৱাখল চেনবা ঙমদবা খরা হায়রগদি দি পি পিগী পোলিটিসিয়নশিং অমদি দি পি পি লৈঙাক অসিনা ব্রেন ৱাশ তৌখ্রবা অপংবা, নৌরিবা নহারোল খরা খক্তনি।

অসিগুম্বা ঙসি পাল্লিবা দি পি পি লৈঙাক অসিগী পুকচেল শেংদবা, নমথাক তৌবা, মীয়ামগী মায়োক্তা থবক তৌবা, লল্লোন ইতিক্লা, অতোপ্পা লৈবাকশিংগা অমদি ম্যেনলেন্দ চাইনাগা মরী থম্বা ঙমদবা, লৈবাক ঙাকপা হৈতবা অমদি অতোপ্পা হীরম খুদিংমক্তা মরাই চাইথরকপা অসি উদুনা হান্না পায়রম্বা কে এম টি (কৌমিন্তাঙ) লৈঙাক পাম্নরকখি। মদু উবদগী ঙসি পাল্লিবা দি পি পিগী Tsai Ying-Wen না অনীশুবা টর্মদদি শোয়দনা মায়থীবা নংলনি খঙদুনা কুমজা ২০১৮গী অনীশুবা টর্মগী মীখলদা ভোট মিলিয়ন ৪ হেন্না হুরান্দুনা ভোট নম্ফুদা কাহনখিবনি। ভোট কারবসু মতিক ময়াই য়াওদবনা হীরম খুদিংমক্তা নোংম-নোংমগী মরাই চাইথরক্লি।

মতৌ অসুম্না DPP (Democratic Progressive party) হায়রিবা পার্টি অসিগী লৈঙাক মখাদা চহী ৬ পাল্লকপদা হীরম খুদিংমক্তা মরাই চাইথরিবা অসি টাইৱানদা দেমোক্রেসি লাকখ্রবা মতুং চহী ৫০/৬০সিদা অমুক্তা য়াওখিদ্রি। মসিগী মথক্তা মীশি মীনাসু আ ৱাংনা থোক্লে। কোভিদ-১৯ লাইচৎকী মতাংদা কুমজা ২০২২গী এপ্রিল অমদি মে থাগী তেল্লবা থা অনী ফাওবা ফাদবা মতমদুদা মীওই লিশীং ২০ হেন্না শিহনখিবা অদু থাদবীদা ত্রেন এক্সিদেন্টদা, বস এক্সিদেন্টতা, হোস্পিটাল মৈ



চাকপদা, হেলিকোপ্টর কায়বদা, ক্রাইমদা মীওই অসুক য়াম্না শিখিবা টাইৱান্দা অমুক্তা থেংনখিদ্রি। শম্না হায়রবদা হুগুম খারবা লৈঙাকনি হায়বা য়ারে। মরম অসিননি মমাঙ চহী ২০২২গী নবেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা County Mayoral (Governors) মীখলদা ম্যেনলেন্দ চাইনাগা One-Country-Two Systems বু ঙাক্লা চৎচদুনা লমদম অনী অসিগী মরক্তা অফবা মরী থম্বা ঙমখিবা, হান্না লৈঙাক পায়রম্বা অদুগা হৌজিক্লা ওপোজিসনদা লৈরিবা কে এম টিনা ১৪ ফংবদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী দি পি পিনা শুপ্নগী সিট ৫ খক ফংখিবদো।

হৌজিক হৌজিক চাইনা অমদি য়ু এস এ অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসিসু য়ু এস এনা হায়রিবমখৈ ইনবা লৈঙাক অমা ওইবদগীনি অসুক্কী মতিক উংখৎনরিবা। কে এম টিনা পাল্লিঙৈ মতমদদি চাইনা অমদি য়ু এস এগী মরীসু অদুক হাক্লা ফত্তবা ওইরমদে। অদুবু দি পি পিনবু হেক পায়রবা অদুম হৌরে চাইনা টাইৱান মরী ফত্তবতা নত্তনা চাইনা অমদি য়ু এস এ অনীগী মরীসু ফত্তবা। মসিদনি টাইৱানগী মীয়াম্না দি পি পিগী Tsai Ing-Wen লৈঙাক অসি পামদ্রিবা। দেমোক্রেসিনিদি হায়রগা ফ্রীদম ওফ স্পীচসু থুপচিনখ্রে অদুগা মীয়ামগী মায়োক্তসু থবক তৌই। লৈঙাক্কী মায়োক্তা ঙাঙনীংই হায়দুনা টি ভি ষ্টেসন কয়া অমসু থোঙ লোলহনখ্রে। টি ভি ন্যুজ চেনেল ১২ লৈবদা ১১ অমদি দি পি পি লৈঙাক্লা চুপলি পায়রগা শীজিন্নরি অদুগা কে এম টি শৌগৎপা ন্যুজ চেনেলনা সুপ্নগী অমখক্তনি। হান্না য়াম্না লৈরম্মী অদুবু দি পি পিনা হেক পায়বা হৌরকপদগী মথং মথং থোঙ লোলহনখিবনি মখোয়গী মায়োক্তা ৱা ঙাঙই হায়দুনা। মসিনি দেমোক্রেসিগী নীংথিজবা শক্তমবু মাঙহনবা হায়বদো।

অসিগুম্বা হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা মতিক ময়াই শুকয়াও য়াওদ্রবা দি পি পি লৈঙাক অসিনা লৈবাক ঙাকপা হৈতবা অমদি য়ু এস এগী হুইনাও অমা ওইনা য়ু এস এনা হায়বতা য়াদুনা চৎপনা চাইনা অমদি য়ু এস এ অনী অসি লাল থোক্লগদ্রা হায়বসি টাইৱানগী মীয়াম্না মীপাইবা ফাওবতা নত্তনা মালেমগী লৈবাক কয়ানসু ৱানরি। অদুম ওইমনক চাইনানা চাওখৎপদা লৈবা ঙমদবা, থম্মোয়দা চাকচবা য়ু এস এ, ইংলেন্দ, ওষ্ট্রেলিয়া অমদি নাটোগী লৈবাক খরদি টাইৱাননা য়ু এস এগী য়াথং ইন্দুনা চৎপসি শৌগৎলি, টাইৱাননা নীংখা তম্বা পাম্মী। মসিসু টাইৱানগী য়াইফনবা খনবগী নত্তে মখোয়গী কান্নবখক খনবগীনি। অদুবু মালেমগী মনীং তম্বা লৈবাক ১৯৫গী মনুংদা টাইৱানবু নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা টাইৱানগা দিপ্লোমেটিক মরী লৈনবা লৈবাকসি শুপ্নগী ১৩ খক্তনি। লেমহৌরিবা লৈবাক ১৮২দি টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসি চাইনাগী শরুক অমনি হায়না লৌরি, য়ারি। লৈবাকশিং অসিগী মনুংদা য়ু এস এসু য়াওরিবনি। অদুবু চাইনাবু চিংথনবা হোৎনবদা টাইৱান অমদি চাইনা অনীগী মরক্তা হিগাইৱা শীজিন্নদুনা, খূৎ থিংজিন্দুনা ওইরোইদবা লীলা কয়া শান্নবা লেপত্রি ঙসিসু। অমবু ওইরে অমবু ওইরে, টাইৱানগী অমদি মালেমগী মীয়াম্না খঙজিনগদবা অমনা টাইৱাননা য়ু এস এগা চৎমিন্নদুনা লৈরবা, য়ুক্রেনগুম থুগাই য়ৈখাইবা, মীশি মীনা কয়া থোকহনবা, লৈত-লায়র লৈবাক অমা ওইহনবা, মীয়াম্না ঈংনা তপ্না হিংবা ঙমহন্দবশিং অসি নত্তনা অতৈ কান্নবা অমত্তা পুরক্লোই হায়বসিনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।